# ফিনলেন্দ অমসুং স্বিদেননা নাটোদা য়াওবা থিংগনি হায়না টর্কিগী প্রসিদেন্টনা কিহনখ্রে

অঙ্করা, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সী):

ফিনলেন্দ অমসুং স্বিদেননা নাটোদা য়াওবা মহাক্না য়ানিংদে হায়না টর্কিগী প্রসিদেন্ট রেসেপ টায়িপ ইর্দোগান্না অমুক হন্না ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়া-য়ুক্রেন লান মরক্তা লৈবাক অনীনা মিলিটরি এল্লাইয়ন্স অদুদা য়াওনবা হৌনবী মতুং ইন্না এপ্লাই তৌরগনি হায়না ফোঙদোকখিবা মতুংদা ইর্দোগান্না ৱাফম অসি নৌহৌননা ফোঙদোরকখিবনি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা ইর্দোগান্না স্কেনদিনেবিয়ন লৈবাক অনীনা নাটোদা য়াওনবা হোৎনরিবসিগী মায়োক্তা টর্কিনা লেপ্লি হায়না পল্লদুনা স্বিদেনবু টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিং চঙজফম পীনবা হোৎনবগী মরাল শীখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি লৈবাক অনীমক টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসনগী মতাংদা ময়েক শেংবা ফিরেপ নত্ত্রগা মীৎয়েং চেন্দে। অদুনা ঐখোয়না মখোয়বু থাজবা ঙমদে।

ইর্দোগান্না খ্বাইদগী য়ানিংদ্রিবদি লৈবাক অনীনা কুর্দিষ্ট মিলিটেন্টশিংবু চঙজফম পীনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখিবা অসিনি। টর্কিনা নোর্দিক লৈবাক অনী অসিবু অঙ্করানা টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমনি হায়না লাউথোকখ্রবা কুর্দিষ্ট ৱার্কর্স পার্টি (পিকেকে) গী মেম্বরশিংবু চঙজফম পী হায়না মরাল শীরি। মসিদা নত্তনা কুমজা ২০১৬ কী কূ এটেম্প লৌতুনখি হায়না অঙ্করানা মরাল শীরিবা ফেতুল্লাহ গুলেনগী খোঙলোইশিংবুসু শৌগৎলি হায়না মহাক্না লৈবাক অনীবু মরাল শীরি।

নাটোদা অনৌবা লৈবাক অমনা য়াওবা তারবদি মেম্বর ষ্টেট খুদিংমক্না মদুবু অয়াবা পীগদবনি। মরম অদুনা স্বিদেন অমসুং ফিনলেন্দনা মিলিটরি এল্লাইয়ন্স অসিদা য়াওনবা হোৎনরিবসিদা টর্কিগী সপোর্ট মথৌ তাই।

নাটোদা য়াওনবা হোৎনরিবদুবু এপ্রুফ তৌহন্নবনি হায়দুনা স্বিদেন অমসুং ফিনলেন্দগী দেলিগেসনশিং অঙ্কারাদা লাকপগী ৱাখল খল্লোইদবনি হায়নসু ইর্দোগান্না ফোঙদোকখি।

টর্কিদা অথিংবা থম্লিবা লৈবাকশিংনা দিফেন্স ব্লোক অসিদা য়াওনবা এপ্লাই তৌরকপদা অথিংবা পীগনি হায়নসু মহাক্কী গভর্নমেন্টনা মমাঙদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা হেলসিনকিদা লৈবা পার্লিয়ামেন্টদা ৱা ঙাঙলদুনা ফিনলেন্দগী ফোরেন মিনিষ্টর পেক্কা হাবিষ্টোনা টর্কিগী ফিরেপ অদু ঙক্লি ংঙাই ওই হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, মহাক্কী গভর্নমেন্টনা ইর্দোগানগা হিরম অসিগী মতাংদা মন্তিক্লবা পামদে হায়বা ৱাফমসু মহাক্না পার্লিয়ামেন্টদা ফোঙদোকখি। ফিনলেন্দনা নাটোদা য়াওনবা এপ্লাই তৌরগনি হায়না হৌখিবা চয়োলদা ওফিসিএল ওইনা লাউথোকখিবনি। মদুগী মতুং মে ১৪ দা য়ুমথংনরিবা স্বিদেননসু দিফেন্স এল্লাইয়ন্স অসিদা য়াওননবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না লাউথোকখি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা ব্রিফিং অমদা প্রাইম মিনিষ্টর মকদালেনা এন্দর্সননা হায়খি, মদুদি নাটোনা স্বিদেনগী মপাঙ্গল হেনগৎহনবগা লোয়ননা স্বিদেননসু নাটোগী মপাঙ্গল হেনগৎহনগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি নুমিৎ খরনিগী মনুংদা ফোর্মেল এপ্লিকেসন অমা পীশিল্লগনি। অদুম ওইনমক স্বিদেননা নাটোগী বেজশিং নত্ত্রগা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং লৈবাক অসিদা পার্মেনেন্ট ওইনা থম্বা পামদে হায়বা ৱাফমসু মহাক্না থমখি। নাটোগী মেম্বর লৈবাকশিং ওইরিবা নোর্ৱে, দেনমার্ক, আইসলেন্দনা খোঙথাং অদুগী মতাংদা করিগুম্বা স্বিদেন অমসুং ফিনলেন্দদা এটেক্ট তৌরকপা তারবদি মখোয়বু মতেং পাঙনবা শেম শাদুনা লৈ হায়না খুদক্তা ফোঙদোকখি।

নাটোগী অতোপ্পা মেম্বল লৈবাক অমা ওইরিবা য়ুকেনা ট্রাজিসন মতমদা স্বিদেন অমসুং ফিনলেন্দদা সেক্যুরিটি গরেন্টি পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৯ দা অঙ্করানা সিরিয়াদা ফোর্স থাজিনখিবগী রিএক্সন ওইনা স্বিদেন অমসুং ফিনলেন্দনা টর্কিগী মায়োক্তা খুৎলায়গী অথিংবা থমখিবনি। নোর্দিক লৈবাক অনীনা নোংচুপলোমগী মিলিটরি এল্লাইয়ন্স অসিদা য়াওননবা এপ্লাই তৌরগনি হায়না হৌনবী মতুং ইন্না লাউথোকখিবা অসিনা লৈবাক অনী অসি চহী চা কয়া মিলিটরি নন এল্লাইনমেন্টদা থাজবা থম্লকপদু তোক্তুনা নাটোগী মেম্বরশিপ ওইরকপা য়াবগী লম্বী ফাৎলগনি হায়রি।



# শ্রী লঙ্কাগী অনৌবা পিএম রানিল ৱিক্রেমেসিঙ্গেনা ফ্লেগ করিয়র য়োন্থোকপগী ৱাফম হৌদোকখ্রে

কলম্বো, মে ১৭ (এজেন্সী):

শ্রী লঙ্কাদা শেল থুমগী অচৌবা ক্রাইসিস অমা মায়োক্নরিঙৈ মরক্তা ষ্টেট ইথৎ লৈবাক শেল থুমগী ফিভম ষ্টেবল ওইহন্নবগী থৌরাং অমা ওইনা লৈবাক অসিগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর রানিল ৱিক্রেমেসিঙ্গেনা ষ্টেটনা চল্লাইবা শ্রীলঙ্কান এয়রলাইন্স য়োন্থোকপগী ৱাফম হৌদোকখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা লৈবাক মীয়ামদা টেলিভিজনগী খুত্থাংদা ৱা ঙাঙলদুনা রানিল ৱিক্রেমেসিঙ্গেনা হায়খি, শেল চাওনা মাঙদুনা লৈরুরবা শ্রীলঙ্কান এয়রলাইন্স প্রাইভেটাইজ তৌবগী ৱাফম অসি ঐহাক্না মীয়ামদা প্রপোজ তৌরি।

ফ্লেগ করিয়র অসিনা কুমজা ২০২০-২১ খক্তদা মাঙখিবা শেনফম অসি শ্রীলঙ্কান রুপিস বিলিয়ন ৪৫ (দোল্লর বিলিয়ন ১২৯.৫) নি। কুমজা ২০২১ গী মার্চ ৩১ ফাওবগী মনুংদা মাঙখিবা অপূনবা শেনফম অসি এলকেআর বিলিয়ন ৩৭২নি।

ঐখোয়না শ্রীলঙ্কান এয়রলাইন্স প্রাইভেটাইজ তৌরবসু মাঙলিবা শেনফম অসিগী ওইনদি ঐখোয়না ফুকৎনবা হোৎনবা মথৌ তাই। লৈবাক মীয়ামদা ঐহাক্না হায়নিংলিবদি মাঙলিবা য়াম্লবা শেনফম অসি নোংমতা প্লেনদা তোংখিদবা লৈবাক অসিগী লাইরবশিংনা ফাওবা পুগদবনি হায়বসিনি।

ইথৎ লৈবাক অসিনা ১৯৪৮ দা নিংখা তম্বা ফংখিবা মতুংদা খ্বাইদগী শাথিবা শেল থুমগী ক্রাইসিস মায়োক্নরকপগা লোয়ননা অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, মদুদি মথংগী থা খরা অসিদি সিটিজন খুদিংমক্কী ওইনা খ্বাইদগী অৱাবা মতম হায়বদু ওইরগনি। লৈবাক অসিনা খরমখৈদি কখোক্লবা অমদি মতম অসিদা থেঙনগদৌরিবা শিংনবশিং মায়োক্নবা শেম শাগদবনি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি, মদুদি হৌখিবা চয়োলদা শাথিরবা ইরাং থোক্তুনা মীওই ৯ শিখ্রবা অমসুং হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মহিন্দ রাজাপক্সা ফাওবা মফম থাদোকখ্রবা লৈবাক অসিনা হৌজিক য়াম্না তঙাই ফদবা আইটেমশিং মপানদগী ইম্পোর্ট তৌনবগীদমক মথংগী নুমিৎ খরনি অসিগী মনুংদা দোল্লর মিলিয়ন ৭৫ কী ফোরেন করেন্সি মথৌ তারি। লৈবাক অসিনা ফ্যুএল ফঙদবগী অৰুবা ফিভম অমা মায়োক্নরকপগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, মদুদি হৌজিক লৈরিবা ঐখোয়গী পেট্রোলগী ষ্টোক অসি শুপ্নগী নোংমক্তং চৎকনি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা দিজল খরা য়ৌরকখিবা অসিনা দিজল ফঙদবগী প্রোব্লেম অদুদি খরমখৈ সোল্ব তৌরগনি। ইন্দিয়ান ক্রেদিট লাইন মখাদা মে ১৮ অমসুং জুন ১ দা অহেনবা দিজল শিপমেন্ট অনীসু থুংলরগনি। মসিগা লোয়ননা পেট্রোল শিপমেন্ট অনীসু মে ১৮ অমসুং ২৮ দা য়ৌরক্লগনি হায়খি।



# 'পুটিন মশামক কর্নেল নত্ত্রগা বৃগেদিয়রগী লেভেলদা য়ুক্রেনগী লান অসিদা চেন্নরি'

লন্দন, মে ১৭ (এজেন্সী):

রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন মশামক য়ুক্রেনগী লান অসিদা অদুক্কী মতিক থৱায় য়াওনা চেন্নরি নত্ত্রগা শরুক য়ারি মদুদি মহাক্না কর্নেল নত্ত্রগা বৃগেদিয়রগী লেভেলদা ওপরেস্নেল অমসুং টেক্টিকেল ৱারেপশিং লৌরি হায়না নোংচুপলোমগী মিলিটরি ছোর্সশিংনা হায়রি।

ছোর্সশিং অদু পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, থেংথাং কয়াদা য়ুক্রেনগী নোংপোক থংবদা লৈবা ষ্ট্রেটেজিক তুরেল অমা লান্নবা হোৎনখিবা রসিয়ন ফোর্সশিংনা হৌখিবা চয়োলদা চাওনা মায়থীবা নঙখ্রবা দোনবাসতা ফোর্সশিং অদুগী মুভমেন্টশিংগী দিরেক্সন লেপ্পদা পুটিননা মতেং পাঙলি।

ছোর্সশিং অদুনা মখা তানা হায়, য়ুক্রেননা হৌখিবা চয়োলদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমগী ওন্ন-তৈবদা পুটিননা রসিয়ন আর্মদ ফোর্সেসকী কম্মান্দর জেনরেল বলেরি গেরাসিমোবকা য়াম্না নকশিন্ননা তাথোক তাশিন তৌনদুনা থবক তৌমিন্নরি।

য়ুক্রেনগী নোংপোক থংবা শরুক্তা হৌজিক চথরিবা লানগী মতাংদা পল্লদুনা ছোর্সশিংদুগী মনুংদা অমনা ফোঙদোরকখিবদা পুটিন অমসুং গেরাসিমোবনা টেক্টিকেল ৱারেপ কয়া লৌবদা হকথেংননা মতেং পাঙলি। মদু মহৌশানা কর্নেল নত্ত্রগা বৃগেদিয়র অমগী লেভেলদা লৌগদবা ৱারেপশিং ওইফম থোকপনি হায়না ঐখোয়না লৌই।

মোস্কোগী ফোর্সশিংনা হৌজিক ফাওবদা দোনবাস রিজনদা মখোয়গী পান্দম অমত্তা ফঙবা ঙমদনা লৈরি। মখোয়না থা অমরোম চুপ্পা ওফেন্সিব চথরকখিবদা হৌজিক ফাওবা মফম অদুদা লৈরিবা মশিং য়ামদ্রবা য়ুক্রেনিয়ন ফোর্সশিংবু কয়ারক হন্না হোৎনরবসু কোয়শিনবা ঙমদনা লৈরি।

টেক্টিকেল ৱারেপশিং লৌবদা পুটিন মশামক শরুক য়ারি হায়বা ৱাফম অসি ইন্টলিজেন্সতা য়ুম্ফম ওইরবসু ৱাফম অসিবু শৌগৎপা য়াবা মখা তাবা অকুপ্পশিংদি লৈতে হায়না এজেন্সিগী রিপোর্ট অদুনা মখা তারি।

হৌখিবা চয়োলদা বিলোহো-রিক্কাদা লৈবা সিবির্সকি দোনেট তুরেল লান্নবা হোৎনবদা মায় পাকখিদবগা লোয়ননা রসিয়ন ভেহিকল ৭০ হেন্না অমাঙ অতা থোকখি অমসুং বট্টালিয়ন অমগী খুৎলায়শিংসু মাঙ তাকখি হায়বসি লানফম অদুগী এরিয়ল ফোটোগ্রাফিদগী খঙবা ঙল্লে হায়রি।



# মালিদা কূ পাঙথোক্লবা হোৎনখিবা মায় পাকখিদ্রে

বামাকো, মে ১৭ (এজেন্সী):

মালিগী এন্টি-প্রোগ্রেসিব ওফিসারশিং অমসুং নন-কম্মিসন ওফিসার কাঙবু অমনা হৌখিবা থাদা কূ চথনবা হোৎনখিবা মায় পাকহনখিদ্রে হায়না ৱেষ্ট অফ্রিকাগী লৈবাক অসিগী মিলিটরি জুন্তানা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা ৱেষ্ট অফ্রিকান লৈবাক অসিগী স্পোক্স পার্সন কর্নেল অব্দুলায়ে মাইগানা হায়, কূ এটেম্পকী থৌদোক অদু মে ১১ অমসুং ১২ গী লোন্নবা অহিংদা থোকখিবনি। লান্মীশিং অদু নোংচুপ লোমগী লৈবাক অমনা শৌগৎখি।

মীকুপ নাহুম শীংনা লৈরিবা অমসুং মথৌদা পুক্নিং চঙলবা ঐখোয়গী দিফেন্স অমসুং সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কূ এটেম্প অদু অরেম্বা তাহনখি।

কূ এটেম্প অদু খ্বাইদগী অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই অমসুং থৌদোক অদুগা মরী লৈননা লৌখৎপা য়াবা থৌরাং খুদিংমক লৌখৎলি হায়না স্পোক্স পার্সন অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী অকুপ্পশিংদি পনখিদে। থৌদোক অদুদা চেন্নবশিং ফাখি হায়না পল্লদুনা ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়, দিটেনিশিং অদুগী মথক্তা লোগী ওইবা লৌখৎফম থোকপশিং লৌখৎননবা মরী লৈনবশিংদা শিন্নখ্রে। ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখোয়গী মশক মমিং অমদি লৈফমনচিংবদি পনখিদে।

কেপিটেল বামাকোগী অকোয়বা অমসুং মালিগী বোর্দরশিংদা সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিং কনখৎলি হায়নসু ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি। মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা মিলিটরি ছোর্স অমনা কূ এটেম্প অদুদা চেন্নবা মীওই তরারোম ফারে অমসুং অতৈশিংসু ফাননবা হোৎনরি হায়খি।

হৌখিবা চয়োলদা থোকখিবনি হায়রিবা কূ এটেম্পকী থৌদোক অদুগী মতাংদা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাং ফাওবদি ঈ পাউ অমত্তা ফোঙনখিদবনি।

আর্মিনা ইলেক্টেদ প্রসিদেন্ট ইব্রাহিম বৌবাকা কৈতাবু মফমদগী চিংথুখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্টতগী মালিদা মিলিটরি কূ অনী পাঙথোকখ্রে। ৱেষ্ট অফ্রিকাগী লৈবাক অসিনা মসিগী অৱাং অমসুং ময়াই থংবা শরুক্তা কুমজা ২০১২ দগী অল কাইদা অমসুং ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকা শম্নবা গ্রুপশিংগী মায়োক্তা জিহাদিষ্ট লালহৌ থেংনদুনা লাকখি।

জিহাদিষ্টশিংগা শোক্নরিবা লান অদু য়ুমথংনরিবা নাইজর অমসুং বুর্কিনা ফাসোদসু শন্দোকখ্রবনি। লৈবাক অসিগী মিলিটরিনা দোমিনেট তৌবা গভর্নমেন্টনা মমাঙঙৈদগী লৈরক্লবা পার্টনর ফ্রান্সকা মরী তৎনদুনা রসিয়াগা হেন্না নক্লবা মরী থমখি অমদি জিহাদিষ্টশিংগা লান শোক্নদুনা লাকখি।

কুমজা ২০২২ গী ফেব্রুৱারী ফাওবগী মনুংদা সিভিলিয়ানশিংদা অমুক হন্না লৈঙাক্কী পৱার শীন্নরগনি হায়না থাজবা পীখ্রবসু হৌজিক ফাওবা থবক্তা ওন্থোকপা লৈত্রি।



# চহী তরুক্কী মতুংদা অহানবা ওইনা সানাদগী কম্মর্সিএল ফ্লাইট পায়খ্রে



সানা, মে ১৭ (এজেন্সী):

চহী তরুক্কী মতুংদা অহানবা ওইনা হাওথি মিলিসিয়ানা কন্ত্রোল তৌরিবা য়েমেনগী কেপিটেল সানাদগী অহানবা কম্মর্সিএল ফ্লাইট পায়খ্রে। লান শোক্নরিবা নাকল অনীগী মরক্তা চথরিবা ট্রুসকী মরু ওইবা শরুক অমা ওইরিবা সানাদগী কর্ম্মাসিএল ফ্লাইট অদু পায়বা য়াহনখিবনি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা পেসেঞ্জর ১৫১ তোংবা য়েমেন এয়রৱেজকী ফ্লাইট অমা সানা ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতগী জোর্দানগী কেপিটেল অমান তম্না পায়খি হায়না এয়রপোর্টকী ওফিসিএলশিংনা ফোঙদোরকখি।

ওফিসিএল অদুগী মতুং ইন্না অমানদগী অতোপ্পা ফ্লাইট অমা সানাদা থুংলগনি। মদুগী মমাঙদা য়েমেনি ফ্লেগ করিয়রগী প্লেন অদু পেসেঞ্জরশিং পিকঅপ তৌনবগীদমক খা থংবা পোর্ট সিটি অদেনদগী সানাদা থুংখিবনি।

প্লেন অদুনা থুংখিবা মতমদা সানা এয়রপোর্টকী রনৱেদা ৱাটর কেনেলশিং শীজিন্নদুনা ঈশিং চাইদুনা ৱাটর সেলুট পীখি। পেসেঞ্জরশিং অদুগী মনুংদা মীওই কয়া সানাগী হেল্‌থ ক্যের সিষ্টেমনা য়েংশিনবা ঙমদ্রবা মেদিকেল ট্রিটমেন্ট থুনা মথৌ তাবা পেসেঞ্জরশিংনি হায়না এয়রপোর্টকী ওফিসিএলশিংনা ফোঙদোকখি।

জোর্দানদা পায়রিবা ফ্লাইট অদু অহানবদা এপ্রিলদা পায়নবা লেপ্লম্বদগী পাসপোর্ট ইস্যুশিংনা মরম ওইদুনা য়ৈথোকখিবনি। প্রো-গভর্নমেন্ট মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না মালেমনা শকখঙবা য়েমেনি গভর্নমেন্টনা হাওথি মিলিসিয়ানা ইস্যু তৌবা ট্রাবেল দোক্যুমেন্টশিং পায়বা পেসেঞ্জরশিংবু নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফ্লাইট অদুদা তোংবা য়াহনখি।

এয়রপোর্ট ওফিসিএলশিংগী মতুং ইন্না মথং চয়োল অনীগী মনুংদা কেপিটেল সানাদগী ফ্লাইট কয়া মপানদা পায়রকপগা লোয়ননা মপানদগীসু ফ্লাইট কয়া কেপিটেলগী এয়রপোর্টতা পায়রক্লগনি।

ফ্লাইট মায় পাক্না ওপরেট তৌথিবা অদু য়ুএন স্পেসল এনভোই হান্স গ্রুনবর্কনা তরাম্না ওকখি অমসুং জোর্দানবু ওপরেসন অদুদা মতেং পাঙবগীদমক থাগৎখি।

কুমজা ২০১৬ গী ওগষ্ট ৯ দা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসন্না য়েমেনগী এয়রস্পেসতা অথিংবা থম্বদগী সানা এয়রপোর্ট থিংজিনখিবনি।

# পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টরনা ক্লাইমেট চেঞ্জ থেংননবা টাস্ক ফোর্স অমা শেমখ্রে

ইস্লামাবাদ, মে ১৭ (এজেন্সী):

পাকিষ্টানদা ক্লাইমেট চেঞ্জকী ইস্যু য়েংশিন্নবগীদমক্তা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাজ সারিফনা টাস্ক ফোর্স অমা শেম্লে হায়না মহাক্কী ওফিসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়রি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা পল্লদুনা এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, হন্দক্তা লৈবাক অদুদা হিটৱেব থোকখিবা অমদি ক্লাইমেট চেঞ্জনা লৈবাক অদুদা হকথেংননা লাকহল্লিবা খুদোংচাদবা ফিভম কয়াগী মতাংদা খন্ননবা পাঙথোকখিবা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমদা ৱারেপ অদু লৌখিবনি।

হৌজিক ক্লাইমেট চেঞ্জনা পাকিষ্টানদা চাওনা চৈথেং পীরি। লৈবাক অসিদা হৌজিক তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অকনবা হিটৱেবকী ফিভম লৈরি। লৈবাক অসিগী নোংপোক থংবা শরুকশিংদা পাক শন্না লাম্মে চাক্লকপগা লোয়ননা ঈশিং অমদি চিঙ্গাক ফঙদবগী প্রোব্লেমশিং থোক্লক্লি।

করাকোরম চীংজাউ নাপোমদা লৈরিবা সিম্পর গ্লেসিয়র শৌদোরকপনা মরম ওইদুনা হন্দক্তা অচৌবা এক্সিদেন্ট অমা থোকখি।

ক্লাইমেট চেঞ্জকী ইফেক্টশিং হস্থহন্নবা তুংদা সিম্পর গ্লেসিয়রগী থৌদোকশিং অমুক হন্না থোকহন্দনবা অমসুং লৈবাক অদুনা হৌজিক মায়োক্নরিবা ঈশিং অমসুং চিঙ্গাক ফঙদবগী ফিভমশিং সোল্ব তৌনবা মপুং ফাবা ষ্ট্রেটেজি অমা পুথোক্নবা সারিফনা টাস্ক ফোর্স অদুদা দিরেক্সন পীখ্রে হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, মদুদি ষ্ট্রেটেজি অদুদা ঈশিং য়োক্নবগী অমদি হৌজিক লৈরিবা রিজার্বরশিং অমদি ফোরেষ্টশিং প্রোটেক্সন পীনবগী খোঙথাংশিংসু য়াওগদবনি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা হায়খি, হন্দক্তা পাকিষ্টানদা হিটৱেব থোরকখিবদু মরু ওইনা ক্লাইমেট চেঞ্জনা মরম ওইদুননি হায়বসি মীফম অদুদা খঙহনবগা লোয়ননা লৈবাক অদুনা হৌজিক ঈশিং ফঙদবগী প্রোব্লেম অমা মায়োক্নরিবা অদুনা এগ্রিকলচর সেক্তরদা হকথেংননা শোকহল্লকনি হায়নসু পিএমনা খঙহনখি।




## THE IMPHAL URBAN COOPERATIVE BANK LTD
**Administrative Office, M.G. Avenue, Imphal**

## ꯈꯪꯍꯟꯐꯝ / NOTICE

ইম্ফাল তাং ১৭/৫/২০২২ ইং

ইম্ফাল অরবান কোওপরেটিভ বেঙ্ককী লোন লৌবিখিবা মেম্বর লোননিশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি বোর্দ ওফ দিরেক্টরগী ৱারেপ মতুংইন্না তাং ২৩/৫/২০২২ ইং দগী বেঙ্ক অসিগী কর্ম্মীশিংনা লোন খোমগৎপগী অকনবা থবক চথবা হৌজরগনি। মরম অসিনা অরাপ্পা অমদি অনকপদা লৈবিরিবা লোন শিংবগী মতম হেল্লবা লোননিশিংনা ইশা ইশাগী শিংদোকফম থোকপা শেন্দোনশিং শিংদোকপীনবা নিংশিংজরি। লোয়ননা মতম মতমগী ওইবা পোৎ চৈ, গাড়ী, ট্রেক্টরনচিংবা ফাগৎপা, দুকান থোং লোনবনচিংবগী থবক কয়াসু চংশিল্লগনি।

মরম অসিনা লোননিশিংনা ইশা ইশাগী শিংফম থোকপা লোনগী শেনফমশিং অথুবা মতমদা শিংদোকপীনবা হায়জরি।

অরোইবা ওইনা বেঙ্ককী শেন্দোন মতম চানা শিংদোকপীদুনা ইশাগী বেঙ্ক অসিবু হেন্না ফবা, মপাঙ্গল কনবা বেঙ্ক অমা ওইহনবদা তেংবাংবিয়ু।

HL-P/2745/18/19

**Sd/-** এইচ মেঘাচন্দ্র শর্ম্মা
এসিষ্টেন্ট জেনরেল মেনেজর



## GOVERNMENT OF MANIPUR
## DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE
## (Near 2nd MR Gate, AT Line, Imphal)

## ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ / NOTIFICATION

Imphal, the 17th May, 2022

No. 7/10/2016-SW(IRCA )Pt-1 : In continuation of notification of even number dated 10/12/2021, the Department of Social Welfare, Government of Manipur invites applications from willing and eligible ccndidates for contractual engagement for 6 (six) number of Counsellor/Social Worker/Psychologist for Government run De-Addiction Centre at Sunusiphai, Bishnupur District for a period of one year, details of which are as follows:

| Sl. No. | Name of Post/Position | No. of Post | Remuneration as per FD/(PIC)'s norm (50% of 1st cell in the level of pay matrix under RoP-20I9) | Reservation | Essential Qualification and Experience |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Counsellor/ Social Worker/ Psychologist | 6 | Rs. 17,700/- per month | UR-4 OBC(Meitei)-1 ST-1 | Graduate in any discipline preferably with 3 (three) years experience in the field. He/She must preferably hold a certificate of three months Training Course in De-Addiction counselling by NISD and should have knowledge of English and Manipuri. |
| | Total | 6 | | | |

**Mode of recruitment/examination:** Personal interview/walk-in-interview

**Age of Candidates:** A minimum of 18 years and not more than 38 (thirty eight) years as on 01/05/2022. Upper age limit is relaxable by 5 (five) years for ST/SC category and 3 (three) years for OBC category.

**Issue & Submission of application forms:** Interested persons having the requisite qualifications may download the prescribed application form from www.socialwelfare.mn.gov.in from 18/05/2022 to 23/05/2022. The completed application form along with requisite self-attested certificates/documents should be submitted to the Directorate of Social Welfare. Near 2nd MR Gate. AT Line, Imphal on or before 23/05/2022 on working days between 10:00 a.m. to 4:00 p.m. on cash payment of requisite fee.

**Fee:** Rs. 500/- for unreserved category and Rs. 300/- for ST/OBC.

**Documents to be submitted:** Self-attested age proof certificate (Matriculation Certificate). ST/SC/OBC Certificate, certificate in support of educational qualifications and experience should be submitted with the application form. Original certificates/documents should be brought at the time of inierview.

**Date of walk-in interview/viva-voce:** 24/05/2022. 10:00 am - 12 noon. (Candidates should report before 10:00 am)

Those who have appeared in the personal interview held on 29th April. 2022 need not apply/appear again against this notification. Such candidates will be considered on the basis of the performance in the interview already conducted.

This is issued with the approval of competent authority.

**Sd/- Ngangom Uttam Singh**
**Director (Social Welfare), Manipur**

HL-B/7648/18&19